# দ্রাফ্ট অসাম এন আর সি দা য়াওদবা মীওইশিং লোক সভা মীখলগী ভোত থাদবগী হক শোক্লোই ঃ ই সি



*ন্যু দিল্লি, মার্চ ১২ঃ*
দ্রাফ্ট অসাম এন আর সি (নেসনেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজেন্স)তা মমিং য়াওদবা মীওই লাক্ষ ৪০ হেনবগী অকীবা কোকহন্দুনা ইলেক্টোরেল রোলশিংদা মখোয়গী মমিং য়াওরবদি লাক্লিবা লোক সভা মীখলদা মখোয়গী ভোত থাদবগী হকতা করিমতা সোক্লোই হায়না ইলেক্সন কমিসিন ওফ ইন্দিয়া (ই সি আই)না ঙসি সুপ্রিম কোর্টতা ফোঙদোকখ্রে।

জুলাই ৩১দা ফোঙগদৌরি ফাইনেল অসাম নেসনেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজেন্স (এন আর সি) অদুদা মীওই অমগী মমিং য়াওদ্রবা অদুবু ইলেক্টোরেল রোলশিংদা য়াওবা ওইরবদি করি খোঙথাং লৌখৎকনি হায়বদু ময়েক শেংনা ফোঙদোক্নবা ই সি আই দা সুপ্রিম কোর্টনা হংখি।

লোক সভা মীখলগী মাংওইননা অসামদা কেটেগোরি কয়াগী মীওইশিং ভোট থাদবগী হক মাংহনবীরে হায়না থাঙ্গৎলকখিবা পি আই এল অমগা মরীলৈননা চত্থবা ঙসিগী হিয়ারিংদা কৌখৎখিবা ই সি আই সেক্রেটরিদা চীফ জষ্টিস রঞ্জন গোগোই, জষ্টিস দিপক গুপ্তা অমসুং জষ্টিস সঞ্জিব খানাগী বেঞ্চ অমনা মার্চ ২৮

ফাওবগী মনূংদা ২০১৭, ২০১৮ অমসুং ২০১৯গীদমক জনুৱারিদা রিভাইজ তৌখিবা ভোতর লিষ্টতা হাপচিনবা অমসুং লৌথোকখিবগী দাতা পীনবা খংহনখি। মদুদা ই সি আইগী সেক্রেটরিনা দ্রাফ্ট এন আর সিদা য়াওদবনা অসিগুম্বা মীওইশিংগী ভোত থাদবগী হকতা করিমতা শোক্লোই হায়না পাউখুম পীখি।

অসামদগী গোপাল সেথ অমসুং সুসান্ট সেননা থাঙ্গৎলক্লিবা পিটিসন অসি হৌখিবা চহী অহুমদা ইলেক্টোরেলশিংদগী মখোয়গী মমিং লৌথোক্তবা মরমনা মখোয়না পুখৎলিবা ৱাফম অসি ওন্ন তৈনবনি হায়রদুনা মসি কোর্টনা খন্নরোইদবনি হায়না ই সি আইগী মায়কৈদা লেপ্লিবা সেনিয়ার এদভোকেট বিকাশ সিংহনা হায়খি।

পিটিসন মখল অসিদা কোর্টতগী করিগুম্বা ওবজার্বেসন অমা পীবা তারবদি ই সি আইনা করিগুম্বা অরানবা খরা তৌরবরা হায়বগী য়ান্না চাওবা ফৎতবা পল্লিসিটি ওইগনি হায়না এদভোকেট অসিনা হায়খি।

হীরম অসি মার্চ ২৮দা মখা হিয়ারিং চত্থনবা বেঞ্চ অদুনা হায়খি।

# নরেন্দ্র মোদিনা বরানসিদগী লেঙদনা মীখল থেঙনরবা য়ারি



*ন্যু দিল্লি, মার্চ ১২ঃ*
নরেন্দ্র মোদিনা ২০১৪গী মীখলদা মায় পাকখিবা সিট অনীগী মনূংদগী মহাক্লা লৌহৌখিবা উত্তর প্রদেশকী বরানসিদগী হন্দক্কী লাক্লিবা লোক সভা মীখলদসু লেঙদনা মীখল থেঙনরবা য়ারি।

এপ্রিল –মে নেসলেন ইলেক্সনদা প্রাইম মিনিষ্টরনা অতোপ্পা টেম্পল টাউন, পুরিদগী কন্টেষ্ট তৌরবা য়াই হায়না মীয়ান্না কন্না ঙাংনরকখিবনি অদুবু মহাক বরানসিদগী লেঙদনা কন্টেষ্ট তৌরবা য়াই হায়না মকোক থোঙবা পার্টি লিখুনশিংনা ফোঙদোক্লি।

পাউগী এজেন্সিগা উন্নবদা ওরিষাগী পুরিদাগী মহাক্লা কন্টেষ্ট তৌগদৌরিব্রা হায়বদু প্রাইম মিনিষ্টরনা চুম্মী নৎত্রগা চুমদে হায়বা অমত্তা ফোঙদোকখিদে।

১৯১৪দা প্রাইম মিনিষ্টর মোদি (৬৮)না বরানসিদগী লোয়ননা মহাক্কী ময়ুম ষ্টেট গুজরাতকী বদোদরাদগী কন্টেষ্ট তৌখি। অনীমক মায় পাক্লবা তূংদা মহাক্লা উত্তর প্রদেশকী হোলি সিটি অদু লৌহৌনবা বরানসিদা মহাক্কী লম্বাশিং অর্বিন্দ কেজ্রিৱাল অমসুং কোংগ্রেসকী অজয় রাইদগী ভোত য়ান্না হেন্না ফঙদুনা কাখি।

২০১৪দা বি জে পিনা উত্তর প্রদেশকী সিট ৮০গী মনূংদা য়ামল্লব সিট ৭১ ফঙখিবনা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা কেন্দিদেট অমা ওইবনা ষ্টেট অসিদা পার্টিগী সিট মশীং হেনগৎহনবা ঙমগনি হায়না বি জে পিনা খল্লি।

বি জে পিগী সেন্ট্রেল ইলেক্সন কমিটিগী চয়োলসিদা পাংথোকদৌরিবা মীফমনা কেন্দিদেটশিং অমসুং মমিংশিং অরোইবা ওইনা লেপ্লবা য়ারি। এপ্রিল ১১দগী হৌগদৌরিবা তাঙ্কক ৭কী মীখলগী অরোইবা তাঙ্কক মে ১৯দা বরানাসিগী ভোত থাদনরগনি। মীখলগী ফল মে ২৩দা লাওথোক্কনি।

# নেসনেল অমসুং ষ্টেট মীখল মখোয় মশানা থেঙনজগনিঃ নবীন পাতনায়ক



*ভুবনেস্বর, মার্চ ১২ঃ*
বিজু জনতা দল প্রসিদেন্ট অমসুং ওরিষ্যা চীফ মিনিষ্টর নবীন পাতনায়কনা লোক সভা অমসুং ষ্টেট এসেমব্লি মীখলশিং মহাক্কী পার্টিনা মখোয়গী ওইনা মতোমতা থেঙনজগনি হায়না ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

নেসনেল পার্টিশিং বি জে পি অমসুং কোংগ্রেস অমসুং মখোয়না লূচীংবা গ্রুপশিংদগী চপ মান্ননা লাপথোক্লা লৈনবগী বি জে দিগী হান্নদগী খংনরবা পোলিসি অদুগী পরিংদা মিষ্টর পাতনায়ক্লা মীখল মমাঙদা এলায় তৌনবগী ৱাফম লৈতে হায়খ্রে।

রিজনেল পোলিটিকেল পার্ট অসিনা ওরিষ্যাগী পালিয়ামেন্টরি সিট ২১ এসেমব্লি সিট ১২৭ মক্তা মীরেপ থাদোক্কদৌরি। ২০১৪ ইলেক্সনদা বি জে দিনা লোক সভা সিট ২০ অমসুং এসেমব্লি সিট ১১৭ ফংখি। পার্টি অসিনা ষ্টেট অসিদা থংনা–থংননা মরীশুবা টার্মগী গভর্ণমেন্ট শেমখি।

# মোদিদা চৈবা রাহুল গান্ধীগী মীচৈনা অনৌবা গ্রুপ অমবু অশাওবা পোকহনখ্রে



*মুম্বাই, মার্চ ১২ঃ*
লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিগী লূচীংবশিংদা চৈবদা রাহুল গান্ধীনা তোয়না শিজিন্নবা খোল্লাও 'চৌকিদার চোর হৈ' হায়বা অদুনা অনৌবা গ্রুপ অমবু অশাওবা পোকহনখ্রে।

মহাক্কী খোল্লাও অসিনা শাওহল্লিবা খ্বাইদগী নৌবা গ্রুপ অসি কনাগুম্বা পোলিটিকেল লূচীংবা অমত্তা নৎতে। হন্দক্কী অসিদি অশেংবা চৌকিদারশিং অদুনি।

সেক্যুরিটি গার্দশিংগী এসোসিয়েসন অমা ওইরিবা মহারাস্ত্র রাজ্য সুরক্সা য়ুনিয়ননা রাহুল গান্ধীগী খোল্লাও সেক্যুরিটি গার্দশিংবু ইকাইবা পীবনি হায়রদুনা কোংগ্রেস চীফ অদুগী মথক্তা কেস অমা লৌখৎনবা হায়জদুনা মুম্বাইগী বন্দ্রা–কুরল্লা কমপ্লেক্স পুলিস ষ্টেসনদা ৱাকৎ চে অমা থাঙ্গৎখ্রে।

য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট সন্দীপ ঘুগেনা ফোঙদোকপদা সেক্যুরিটি গার্দশিংবু ইকাইবা পীবা মখল অসিগী খোল্লাও লেপহন্নবা রাহুল গান্ধীগী মথক্তা পুলিসনা ৱাকৎ অমা থাঙ্গৎকদবনি হায়খি।

## কোংগ্রেস লূচীংবগী মচানুপা বি জে পিদা য়াওখ্রে

*মুম্বাই, মার্চ ১২ঃ*
মহারাস্ত্রদা কোংগ্রেসকীদমক অচৌবা চৈফু অমদা ষ্টেট অসিদা ওপোজিসন লিদরগী মচানুপা অদুনা ঙসি বি জে পিদা য়াওখ্রে।

সুজে বিখে পতিলবু মুম্বাইদা মহারাস্ত্র চীফ মিনিষ্টর দেবেন্দ্র ফদ্নাবিস অমুসং অতৈ বি জে পিগী সেনিয়ার লিদরশিংনা তরান্ন ওকখ্রে।

বিখে পতিল ফেমিলিগী অকনবা মফমনি খন্নরিবা অহমেদ নগরদগী মহাকপু পার্টিনা মীরেপ ওইহন্দবগী মতাংদগী সেনিয়ার কোংগ্রেস লিদর রাধা কৃষ্ণ বিখে পতিলগী মচানুপা অসিনা শাওখিবনি।

## 'ষ্টেট অমত্তদা কোংগ্রেসকা শন্নরোই'



*লখনৌ, মার্চ ১২ঃ*
ঙসি অয়ুক উত্তর প্রদেশ পোলিটিসিয়ান ময়াবতিনা মহাক্কী পার্টি বি এস পি (বহুজন সমাজ পার্টি)গী মকোক থোঙবা লূচীংবশিংগা উন্নখিবগী মতূংদা পার্টি অসিনা অতৈ ষ্টেট অমতদা কোংগ্রেসকা খূৎশন্নরোই হায়না লাওথোকখ্রে।

প্রেসতা থোকপা চেরোল অমদা ৱাফম অদু লাওথোকখি। বি এস পিগী প্রেসতা থোকপা চেরোল অদুনা হায়, কনাগুম্বা ষ্টেট অমত্তদা কোংগ্রেসকা ইলেক্সনগী ওইবা খূৎশন্নবগী থবক অমত্তা তৌরোই হায়না মীফম অদুনা অমুক্ক হন্না চেৎশিনহল্লে।

বি এস পি অমসুং সমাজৱাদি পার্টিগা অনীগী মরক্তা তৌনরিবা এলায়েন্স অসি পূকচেন শেঙবা ৱাখল অমসুং অমগা অমগা ইকাইখুম্নবদা য়ূমফম ওইবনি হায়না ময়াবতিনা হায়খি।

## বরুন গান্ধীগী কনষ্টিট্যুয়েন্সি পি এম মোদিনা খনগনি

*ন্যু দিল্লি, মার্চ ১২ঃ*
লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা বি জে পিগী মনেকা গান্ধী অমসুং মচানুপা বরুন গান্ধী করম্বা মফমদগী কন্টেষ্ট তৌগনি হায়বা অরেপ্পা খঙদনা চয়েৎনরি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং বি জে পি প্রসিদেন্ট অমিত শাহনা মদুগী মতাংদা ৱারেপ অমা লৌরবা য়াই। বরুন গান্ধীবু মহাক্কী সুলতানপুর সিটকী মহুত্তা মমা মেনেকা গান্ধীগী পিলিভিটতগী ওইনা বি জে পিনা কন্টেষ্ট তৌহল্লবা য়ারি। ২০১৪দা অকনবা কোংগ্রেস মীরেপ অমবু সুলতানপুরদা বরুন গান্ধীনা মায়থিবা পীরমখিবনি।

# প্রকাশ অম্বেদকরগী ফ্রন্টনা মহারাস্ত্রগী সিট ৪৮মক লেপকনি



*ভুবনেস্বর, মার্চ ১২ঃ*
বি জে পিগী ময়োক্তা অচৌবা এলায়েন্স অমা শেন্নবা কোংগ্রেস অমসুং এন সিপিনা হোৎনরিবা অদুদা অচৌবা চৈফু অমা ওইনা মহারাস্ত্রগী লৈরিবা লোক সভা সিট ৪৮ অদু লোয়নমক মহাক্কী পোলিটিকেল ফ্রন্টনা কন্টেষ্ট তৌগনি হায়না দলিত লূচীংবা প্রকাশ অম্বেদকরনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

মুম্বাইদগী কিলোমিট ৫৯০ রোম লাপ্পদা লৈবা অকোলা দিষ্ট্রিক্টতা ৱাফম অদু লাওথোক্লদুনা মিষ্টর অম্বেদকরনা এন্টি–বি জে পি কোলিসনদা য়াওনবা কোংগ্রেসকা মখা তানা ৱারি শান্নররোই হায়খি।

কোংগ্রেসকা এলায়েন্স অমা তৌননবগীদমক ৱাফম কয়ামরুম হৌদোক্লখি অদুবু অচৌবা অপনবা অমা লৈরে। ঐখোয়না কোংগ্রেস লিদরসিপকা মখা তানা মন্তিক্ক ররোই হায়না মহাক্লা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

মহাক্কী বনচীত বহুজন অঘাদি পার্টিনা সিট কয়া য়ান্না কন্টেষ্ট তৌগদৌরিবনো হায়না হংলকখিবা ৱাহং অমদা মহাক্লা সিট ২২দা মখোয়না হান্ননা মীরেপশিং লাওথোকখ্রে অমসুং লৈহৌরিবা সিটশিংগী মমিংশিং অসিসু থুনমক লাওথোক্লগনি অমসুং মহারাস্ত্রদা ঐখোয়না সিট ৪৮ লোয়নমক কন্টেষ্ট তৌগনি হায়খি।

দলিত লিদর প্রকাশ অম্বেদকর মশামক সেনিয়ার কোংগ্রেস লিদর অমসুং হান্নগী য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর সুশিল কুমার সিন্দেগী ময়োক্তা সোলাপুর লোক সভা সিটতগী কন্টেষ্ট তৌরবা য়াই। বি জে পিগী শরদ বনসোদেনা সোলাপুরদা সিন্দেবু মায়থিবা পীরমখিবনি।

ইন্দিয়ান কনষ্টিট্যুসন শেম্লমখিবা ডা. বি আর অম্বেদকরগী মশুনুপা প্রকাশ অম্বেদকর অসি ভারিপ বহুজন মহাসঙ্ঘগী ফাউন্দরনি।

# দোনাল্ড ট্রম্পনা ট্রিল্লিয়ন ৪.৭৫কী ৱাংলবা বজেট থাগৎলকখ্রে



*ৱাসিংটন, মার্চ ১২ঃ*
য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা মিলিটরিদা শেন থাদবা হেনগৎপা অমসুং এদুকেসন অমসুং এনভাইরোইমেন্টেল প্রোটেক্সনগুম্বা লৈবাক মনূংগী প্রোগ্রামশিংদা য়ান্না থিনা ককথবা রেকোর্দ য়ৌনা ৱাংলবা দোল্লর ট্রিল্লিয়ন ৪.৭৫কী ২০২০ গী ফিস্কেল ইয়ারগী বজেট অমা কোংগ্রেসতা থাগৎলকখ্রে।

ফেদরেল হিষ্টরিদা খ্বাইদগী চাওবা ট্রম্পকী বজেট অসিনা দিফেন্সকী হীরমদা চাদা ৫ রোম হেনগৎতুনা দোল্লর বিল্লিয়ন ৭৫০ থাদনবা ৱাফম থাঙ্গৎলকখি। শেনফম অসি পেন্টাগোনমা পীয়ু হায়রকখিবদগী হেল্লবনি। মসিগী মথক্তা মেক্সিকোগা তাইনবা ঙমখৈদা ৱাল খানবগী দোল্লর বিল্লিয়ন ৮.৬কী অহেনবা শেনফম অমসু হাপলক্লি।


ঙমখৈ ৱাল খাবগী পীনবা পুখৎলক্লিবা শেনফম অসি হৌখিবা শেনবা চহী অনীদগী চহী অমমদা বোর্দর প্রোজেক্টকীদমক কোংগ্রেসনা মঙোন্দা পীরকখিবা শেনফমদগী শরুক ৬ হেল্লবনি।

রিপল্লিকান প্রসিদেন্ট অসিগী বজেট অসি কোংগ্রেসনা ককথৎলকপা য়ারি। দোমোক্রেটিক লিদরশিংনা ট্রম্পপু হৌখিবা চহীগী ফন্দিং লালগী থবক অদু অমুক হন্না তৌদনবা নোংমাইজিং নুমিৎতা ৱার্নিং তৌরকখ্রবনি।

হৌখিবা চহীদা ফন্দিং ৱার অদুনা ফেদরেল গভর্ণমেন্টপু চয়োল ৫ মচেৎ ওইনা থিঙজিনখিবনি।

গভর্ণমেন্টপু চলাইদুনা লৈহন্নবা ফন্দিং দিল অমগী ওক্টোবর ১ দেদলাইন অদু দেব্ট লিমিট লৌথোক্লবগী দেদলাইন অদুগা ফাংনরি। দেব্ট লিমিট অদু হেনগৎহন্দ্রবদি য়ু এস গভর্ণমেন্টকী দিফোলট অমা ময়োক্লবগী খুদোঙথিনিংঙাই ওইরি। মদু ওইরবদি ৱর্ল্দ ইকোনোমিদা শোকহনগনি।

# নুপী অমা টর্মিনেলদা অঙাং কাউরম্বদগী ফ্লাইট অমুক হল্লকখ্রে



*জেদদাহ, মার্চ ১২ঃ*
সাউদিয়াগী ফ্লাইট নম্বর এস ভি ৮৩২ পাইখৎখিবগী সুপ্নগী মিনিৎ খরগী তূংদা ফ্লাইট অদু জেদদাহদা লৈবা কিং অবদুল অজিজ ইন্টরনেস্নেল এয়ারপোর্টতা তঙাই ফদনা থুনমক হল্লকখ্রে। মদু নুপী অমনা মহাক্কী পীক্লিবা মচা অদু এয়ার পোর্ট টর্মিনেল অমগী ৱেটিং এরিয়াদা কাউদুনা হুন্দোক্লস্নদগীনি।

অচৌবা ইমরজেন্সি অমা থোকপা মতমদা প্লেনশিং এয়ারপোর্টশিংদা অমুক হল্লকহন্নবগী অয়াবা পী অদুবু হন্দক্কী অঙকপা থৌদোক অসিনা এয়ারপোর্ট ওথোরিটিজবু ঙকহনখ্রে। অসিগুম্বা ফিভম অসিগী মতাংদা প্রোটোকোলদা করি লৈবগে হায়বদু মখোয়না খঙনবা হোৎনখি হায়না গল্ফ ন্যুজগী পাউনা হায়রি।

ফ্লাইট অসি অমুক হলক্লবা হায়জরি, ৱেটিং এরিয়াদা পেসেঞ্জর অমনা মহাক্কী পীক্লিবা অঙাং কাওরম্লে। তাইবং শেম্বিবা মপুনা ঐখোয়বু চানবীবা ওইসনু, ঐখোয় অমুক হল্লকপা য়াগদ্রা নৎত্রগা করি? হায়না পাইলোট অদুনা হায়জরকখিবা অদু এয়ার ট্রাফিক কন্ট্রোলর অদুনা তাখি। মদুগী ভিদিওদু মীয়াম পাকশন্না খংনখ্রে।

ফ্লাইট নম্বর অদু খংজিল্লবা তূংদা এয়ার ট্রাফিক কন্ট্রোলর অদুনা থবক তৌমিন্নরিবশিংদা প্রোটোকোল অদুগী মরমদা হংখিবা অদু তাখি। মহাক্লা প্রোটোকোল হংলিবদু ফ্লাইট অদু অমুক হল্লক্নবগী মরম অমুক হন্না চপ চানা খঙনবা পাইলোট অদুদা হংখিদ্রীঙৈগী মমাঙদনি।

জেদদাহদগী কুৱালা লুম্পুরদা পাইগদবা ফ্লাইট অদুগী পাইলোট অদুনা –ঐখোয়না নখোয়দা হায়জরি, পেসেঞ্জর অমনা টর্মিনেল অদুদা মাগী অঙাং মচা হুন্দোক্লম্লে অমসুং ফ্লাইট অসি মখা তানা তোংউ য়াদ্রে হায়খি।

ও কে, অমুক মমায় লৈরগা লাক্লো। মসি ঐখোয়গীদমক অমুক্তা থোক্ক্রিবা পুংনৌ নৌবা অনৌবা অমনি হায়না অঙকপা ফোঙদোক্লদুনা ওপরেটর অদুনা ফ্লাইট অদু অমুক হল্লকপা য়াহনখি।

হায়ফম তৌফম খঙদনা ৱারবা মমা অদুবু কনবীবগীদমক সোসিয়েল মেদিয়া য়ুজরশিংনা পাইলোট অদুবু থাগৎপা ফোঙদোক্লরকখি। ফ্লাইট অদু অমুক হল্লক্তুনা মমা অমসুং মচা অনী পূনখিবদগী মখোয়গী মখা তাবা ই–পাউ লৈখিদ্রে।

# অৱাং থংবা য়েমেনদা মীচম ২২ হাৎখ্রে



*সানা, মার্চ ১২ঃ*
য়েমেনগী হৌথি রিবেলশিংগী ময়োক্তা লানথেঙনরিবা সাউদি অরাবিয়ানা লূচীংবা কোলিসনননা নোংথক্তগী এটেকশিং চত্থবদা অঙাংশিং য়াওনা মীওই ২২ হাৎখ্রে হায়না মফমদুগী ট্রাইবসমেনশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

শিখিবা মীওইশিং অদু লোয়নমক হজজাহা প্রোভিন্সকী মাষ্রাবেট টলান দিষ্ট্রিক্টতগী ইমূং অনীগী মীওইশিংনি হায়রদুনা হৌথিশিংগা এফিলেট তৌবা হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা থৌদোক অদু চুম্মি হায়না নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অদু ফোঙদোকপদা মখোয়দা ওনশিলক্তুনা ফত্তবা থবক চত্থরক্কনি কীবদগী ট্রাইবশিং অদুনা মখোয়গী মশক–মমিং তাকথোক্তনা ৱা ঙাংখি।

হাজোর ট্রাইবশিংনা মফম অদুদা হৌরিবা লালহৌ অমা নমথনবা হৌথিশিংনা থা ২ রোম কুসেরগী চীংগী লমদমদা শেল কাপশিলক্লি। মদুদা মীচম কয়ামরুম শিখ্রে অমসুং শোকখ্রে।

য়েমেনদা ইন্টরনেস্নেলগী ওইনা শকখঙবা লোইদা লৈরিবা গভর্ণমেন্টকা লোয়ননা লানথেঙনরিবা সাউদিনা লূচীংবা কোলিসনগী ময়োক্তা ইরাননা শৌগৎপা হৌথিশিংগা অনীগী মরক্তা লানথেঙনবদগীমার্চ ২০১৫দগী লৈবাক অসিদা সিভিল ৱার অমা থোক্লি।

## ভেনেজুয়েলাদা লৈহৌরিবা দিপ্লোমেটিক ষ্টাফ লৌথোক্লগনি ঃ য়ু এস

*ৱাসিংটন, মার্চ ১২ঃ*
ভেনেজুয়েলাগী ৱাথোক লূশিলক্লবনা করাকাসতা য়ু এস এম্বেসিদা লৈহৌরিবা দিপ্লোমেটিক ষ্টাফ লৌথোক্লগনি হায়না নিংথৌকাবগী অথেঙবদা য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিয়োনা ফোঙদোকখ্রে। জনুৱারি ২৪দা ইমরজেন্সিগী নৎতবা য়ু এস ইমপ্লোয়ী পূন্নমক থোক্লক্লবা ওর্দর তৌখ্রবনি।

# ইন্দিয়া, পাকিষ্টানগী মরক্তা মখা তানা উংখৎনবগী ফিভম লোইখ্রে ঃ পাক গভর্ণমেন্ট

*ইস্লামাবাদ, মার্চ ১২ঃ*
পুলৱামা টেরর এটেক মতূংদা ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টানগী মরক্তা ৱাংনা উংখৎনখিবা অদু হৌজিক মখা তানা থোক্কনি হায়বগী চীংনবা লৈত্রে হায়না পাকিষ্টান গভর্ণমেন্টকী ইন্টরনেল এসসমেন্ট অমনা ফঙখ্রে।

য়ূমথংনবা লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈরিবা মরীগী হৌজিক ওইরবা ফিভমগী মতাংদা নিংথৌকাবা নুমিৎতা সেনিয়ার ওফিসিয়েল অমনা থমখিবা পাউদম অদুদা ৱাফম অসি য়াওবনি।

ইন্দিয়াগী নাকনদগী মখা তানা কা হেনবা থবক অমা চত্থরকপা য়াবা ফিভম অদু পাকিষ্টাননা উদে হায়না সেনিয়ার ওফিসিয়েল অদুনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে হায়না পাউ অসিনা হায়রি।

লোক সভা মীখলগী মাংওইননা ইন্দিয়ানা মওং তাদবা থবক অমা চত্থরকপা য়াবগী অতোপ্পা ওইথোক্লিঙাই অমা পাকিষ্টাননা চীংনবা লৈব্রা হায়না হংখিবা ৱাহং অমদা ইন্দিয়াদগী অদুগুম্বা অকনবা থবক চত্থরক্কনি হায়বগী ফিভম লৈত্রে হায়না ওফিসিয়েল অদুনা থাজবগা লোয়ননা পাউখুম পীখি।

উংখৎনবা হুম্বরকপগী অহানবা খুদম অমদা ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টাননা থাংজ নুমিৎতা ইস্লামাবাদ অমসুং ন্যু দিল্লিদা মখোয়গী হায় কমিস্নারশিংনা মখোয়গী দিপ্লোমেটিককী থবক অমুক হৌখি।

পুলৱামা এটেক অদুগী মতূং থুনমক লৈবাক অনীনা মখোয়গী এনভোয়শিং খন্নবগীদমক কৌথোক্লখিবনি।

## কোঙ্গো ইথনিক ক্লাসশিংদা হাৎনখিবশিং হ্যুমেনিটিগী ময়োক্তা চত্থবা ক্রাইমনি ঃ য়ু এন

*জিনেভা, মার্চ ১২ঃ*
কোঙ্গোদা য়েলহৌমী কাংলূপ মশেন খূৎ থোক্লবগী থৌদোকশিংদা মীহাৎশিং চত্থখিবদু মীওইবা জাতিগী মথক্তা চত্থবা ক্রাইমশিং ওইনা লৌবা য়াই হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সনা হায়খ্রে।

দেমোক্রেটিক রিপাল্লিক ওফ কোঙ্গোগী নোংচুপ থংবা য়ুম্বী টেরিটোরিদা খূঙ্গং ৪দা নুমিৎ ৩ হেন্না খূৎ থোক্লখিবদা য়ামদ্রবদা মীওই ৮৯০ শিখিবগী থাজবা য়াবা পাউ লৈ হায়না য়ু এননা জনুৱারিদা হায়খিবনি।

লৈবাক অদুদা তোঙান তোঙানবা য়েলহৌমী কাংলূপ অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লবদা নুপা, নুপী, অঙাং, য়ামদ্রবদা মীওই ৫৩৫ দিসেম্বরদা শিখিবদু মীওইবা জাতিগী মথক্তা চত্থবা ক্রাইম চিংগনি হায়না ঙসি য়ু এন হ্যুমেন রাইটস ওফিসনা হায়খি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-65**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | | | 2 | | 7 | 9 | | |
| | 2 | | 8 | | | 6 | 4 | |
| 9 | | 4 | 5 | | | | | 2 |
| | | 9 | | 7 | 4 | | 2 | |
| | 6 | | 9 | | | 3 | 8 | |
| | 4 | | | 2 | | 7 | | |
| 2 | | | | | 6 | | | 9 |
| | 7 | | | 9 | | 2 | | |
| | | 8 | 4 | | | 5 | | |

**সনা–সুদোকু –৬৪ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 8 | 5 | 9 | 2 | 3 | 1 | 7 | 4 |
| 4 | 2 | 9 | 1 | 8 | 7 | 6 | 3 | 5 |
| 3 | 1 | 7 | 5 | 4 | 6 | 9 | 8 | 2 |
| 2 | 9 | 8 | 3 | 1 | 4 | 7 | 5 | 6 |
| 5 | 6 | 1 | 7 | 9 | 2 | 3 | 4 | 8 |
| 7 | 4 | 3 | 6 | 5 | 8 | 2 | 9 | 1 |
| 1 | 5 | 6 | 8 | 7 | 9 | 4 | 2 | 3 |
| 9 | 3 | 2 | 4 | 6 | 5 | 8 | 1 | 7 |
| 8 | 7 | 4 | 2 | 3 | 1 | 5 | 6 | 9 |

## GAS TODAY

**Imphal L.P.G.**
Booking : 27/02/19
Valid :15/01/19
Sl. No. : 407
Stk : 306
Time : from 08.00 a.m.
Delivery at Heinoupok

**Canchi Service Indane**
Booking : 23/01/19
Valid : 20/01/19
Stk : 306
Time :07.00 to 10.00 a.m.

**R & H Indane Gas**
Booking : 08/02/19
Valid : 28/01/19
Stk : 612
Time : 08.00 to 11.00 a.m.

**Khongnang Gas, Bisenpur**
Booking : 14/01/19
Valid : 07/01/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Mahalakshmei Indane Gas**
Booking :25/01/19
Valid : 21/01/19
Sl. No. : 142340
Stk : 306
Time : 07.30 to 12.00 Noon

**Ereicha Indane (Iilong)**
Booking : 07/02/19
Valid : 01/02/19
Stk : 306
Time : 07.00 to10.00 a.m.

**Leibaklei Gas Kakching**
Booking : 03/01/19
Valid : 17/12/18
Stk : 504
Time :08.00 to 11.00 a.m.

**Hrangchal Gas Agency**
Booking : 30/01/19
Valid :24/01/19
Stk :504

**Athokpam Indane Gas**
Booking : 15/01/19
Valid : 05/01/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Misao Gas Service**
Booking : 09/02/19
Valid : 14/01/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Maibia Gas (Moirang)**
Booking : 07/01/19
Sl. No. : 1451
Valid : 05/01/19
Sl. No. : 2000
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m